# মীখলগী মতমদা ৱাশকখিবা দিল্লিদা ফ্রি ৱাই ফাই ফংহনবগী থৌশিল অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লগনি ঃ *আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল*



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৪ ঃ*** আর্ম আদমী পার্টিনা মীখলগী মতমদা দিল্লি সহরদা লেম্না ৱাই ফাই তৌহনগনি হায়না ৱাশকখিবা অদু অথুবা মতমদা থবক ওইনা পায়খৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱান ফোঙদোকখি।

এ এ পি না লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা লৈরিবা মীয়ামদা মখোয়না শক্তি পায়রক্লবদি নহারোলশিংবু শৌগৎকনি। লোয়ননা দিল্লিদা ফ্রি ৱাই ফাই ফংহনগনি হায়না মীখলগী মতমদা ফোঙদোকখিবনি।

ইং ২০১৫ গী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অদুগী মীখলগী মতমদা পার্টি অদুনা মীয়ামদা চাওনা থাজবা লৈখি। মীখলগী মতমদা পার্টি অদুনা মীয়ামদা থাজবা থমখিবা কয়া অদু থবক ওইনা অথুবা মতমদা ওন্থোক্লগনি। দিল্লিদা ৱাই ফাই লেম্না ফংহন্নবগীদমক লৈঙাক অসিনা চপ চাবা থবক পায়খৎলি।

ৱাই ফাই লেম্না মীয়ামদা ফংহন্নবগী পায়খৎলিবা থৌশিল অদুগীদমক বজেটতা তোঙানবা শেলফমশিং হাপ্লে হায়নসু দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোরক্লি।

দিল্লি এসেমব্লিদা ওপোজিসন পার্টিনা লৈঙাক পায়রিবা এ এ পি দা অকনবা এটেক্ট চথরকপা লৈরি। ওপোজিসন পার্টিনা হায়, মীখলগী মতমদা এ এ পি না মীয়ামদা ফংহনগনি হায়না ৱাশকখিবা কয়া ফংহনবা ঙমদনা লৈরে। মদু মীয়ামবু নমথাক তৌবনি হায়না মরল শিরক্লি।

ইং ২০১৬ তা এ এ পি লৈঙাক্লা দিল্লিগী মফম ৫০০ খন্দোক্তুনা হাই স্পিদ ৱাই ফাই জোন অমা ওইহন্নবা থৌশিল পায়খৎখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা নোংপোক থংবা দিল্লিগী মফম কয়াদা অদুগুম্বা খুদোংচাবা অদু ফংহনগদবা মফমশিং মশক খঙদোক্লে হায়রি।

দিল্লিদা এ এ পি না লৈঙাক পায়রকপা চহী ৩ শুবগী থৌরমদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হায়, দিল্লিগী মফম কয়াদা সি সি টি ভি কেমেরা ইনষ্টোন তৌনবা থবক পায়খৎখ্রে। মফম কয়াদা সি সি টি ভি কেমেরা ইনষ্টোন তৌবা অদুনা ষ্টেট অদুদা নুপীশিংবু শাফবা ফিভম অমদা লৈহনবদা মতেঙ ওইগনি।

দিল্লিগী লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিগী মফম পূম্নমক্তা সি সি টি ভি কেমেরো থম্নবা হোৎনরি। পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেনগী মতুং ইন্না দিল্লিগী মফম কয়াদা সি সি টি ভি কেমেরা থম্বগী থৌশিল অদু মথংগী তাং ৫ নৎত্রগা ৬ কী মনুংদদি মপুঙ ফানা লোয়শিনবা ঙম্লগনি। মফম কয়াদা সি সি টি ভি কেমেরা ইনষ্টোন তৌবনা লৈবাক অদুগী কোনুংদা নুপীশিংগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা মতেঙ অমা ওইরগনি হায়রি।

## বোম পোকখাইহন্দুনা মীওই ১৬৫ হাৎখিবদা চেন্নবা ইন্দিয়ান মুজাহিদ্দিনগী মীওই অমা চহী ১০ গী মতুংদা ফারে



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৪ ঃ*** দিল্লিদা বোম মথং মথং পোকখাইহন্দুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবা অমসুং মতম শাংনা চেন্দুনা লৈরকখিবা চহী ৩২ রোম শুরবা আরিজ খান কৌবা ইন্দিয়ান মুজাহিদ্দিনগী বোম শাবা মীওই অমা ফারে হায়না দিল্লি পুলিসনা ফোঙদোকখি।

ইং ২০০৭ অমসুং ০৮ দা দিল্লি, অহমেদবাদ, উত্তর প্রদেশ অমসুং জয়পুরদা বোম মথং মথং পোকখাইহন্দুনা মীওই ১৬৫ শিহনখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা বোম শাবা মীওই অদু ফারে। অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা মীওই ৫৩৫ না অশো-অপন নংহনখিবনি।

মীওই অদু ফাবা ঙম্বা হায়বসি দিল্লি পুলিসকী খ্বাইদগী চাওবা মায় পাকপা অমনি হায়না দিল্লি পুলিসকী লুচিংবা প্রমোদ সিংহ খুসৱানা ফোঙদোরক্লি।

দিল্লি পুলিসনা অকনবা ওপরেসন চথরবা মতুং সেরিয়েল বোম ব্লাস অদুদা চেন্নবা মীওই অদু ফাবা ঙমখিবনি। দিল্লিগী জমিয়া নাগরদা ইং ২০০৮ গী সেপ্টেম্বর ১৯ দা থোকখিবা থৌদোক্তা মীওই অদু চেন্নরি। লোয়ননা ইন্দিয়ান মুজাহিদ্দিনগী টেরোরিষ্ট অনী থৌদোক অদুদা চেন্নে হায়বা খঙবা ঙমখি।

ইন্সপেক্তর মোহন্দ চান্দ শর্ম্মনা লুচিংদুনা চথখিবা ওপরেসন্দা মীওই অদু ফাবা ঙমখিবনি। মীওই অদু মফম অদুদগী নান্থোক্তুনা চেন্ননবা হোৎনরমখি। লোয়ননা সালিম কৌবা মীওই অমগী মিংদা পাসপোর্ট লৌদুনা লৈবাক অসিদগী চেনখিনবা হোৎনরম্বগী খুদম চাংদম ফংবা ঙম্লে হায়রি।

মীওই অদুনা নেপালদা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমসুং তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা লালহৌবগী ৱাখল্লোন ফাওহন্নবা অঙাংশিংদা পরা তম্বীনবা হোৎনরমখি হায়রি।

মুজাহিদ্দিনগী ফাওন্দর অদু সাউদি আরাবিয়াদগী হৌরকখিবনি। মখোয়না মালেমগী লৈবাক কয়াদগী ইং ২০১৪ গী সেপ্টেম্বর থাদগী হৌনা শেল কয়া খোমগৎনবা হোৎনরমখি। লৈবাক কয়াদা লৈবা সিম্পেথাইজরশিংগী খুত্থাংদা লূপ অদুনা শেলফম কয়া খোমগৎনবা হোৎনরমখি।

টেরোরিষ্টশিংগী নেৱার্কশিং অদু কৃপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা ইন্দিয়া মুজাহিদিনগী থবক তৌবা অমসুং সিরিয়েল ব্লাসতা চেন্নবা মীওই অদু ইন্দো-নেপাল ঙমখৈ পরীংদগী ফাগৎপা ঙম্লে। মহাক ফাখিবা অদুনা লূপ অদুদা অচৌবা চৈফু অমা পীরগনি হায়রি।

## দিফেন্স মিনিষ্টরনা মেঘলায়াদা বি জে পি গী ভিজন দোকুমেন্ট রিলিজ তৌরগনি

***শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ১৪ ঃ*** বি জে পি গী লুচিংবী অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিটারামননা শগোলশেল নুমিৎতা মীখল পাঙথোক্লবা শেম শারিবা মেঘলায়াদা লাকপগা লোয়ননা বি জে পি গী ভিজন দোকুমেন্ট রিলিজ তৌরগনি হায়রি।

নির্মলা সিটারামননা দিফেন্স মিনিষ্টর অমা ওইনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা চৎতুনা সেক্যুরিটিগী ওইবা ফিভমশিং য়েংশিনবা লৈখ্রে। শগোলশেল নুমিত্তা লুচিংবী অদুনা মেঘলায়াগী কোনুং শিল্লোংদা বি জে পি গী ভিজন দোকুমেন্ট রিলিজ তৌরগনি হায়না বি জে পি নেসনেলগী ৱাঙাংলোয় নালিন কোহলিনা ফোঙদোরক্লি।

## সিরিয়ানা কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নখি হায়বগী প্রমান ফংলবদি চপ চাবা থবক লৌখৎকনি হায়না ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট মেক্রোননা ফোঙদোকখ্রে



***পেরিস, ফেব্রুৱারী ১৪ ঃ*** সিরিয়ানা মীচমশিংগী মথক্তা কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নখি হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম ফংলবদি ফ্রেন্স লৈঙাক্লা চপ চাবা থবক পায়খৎকনি হায়না প্রসিদেন্ট ইমানুৱেল মেক্রোননা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা সিরিয়ানা মখোয়গী লৈবাক মনুংদা কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নরম্লবদি চপ চাবা ষ্ট্রাইক চথগনি। অদুম ওইনমক ফ্রেন্স ইন্টিলিজেন্সনা সিরিয়াদা কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নে হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম ফংবা ঙমদ্রি।

চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারী থাদা সিরিয়াদা ক্লোরিন এটেক্টনি চিংনবা মওংদা এটেক্ট চথকখি হায়বগী রিপোর্ট কয়া লাকখি। সিরিয়াগী রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মফমশিংদা কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নরকপা অমদি কেমিকেল বোম পোকখাইহল্লকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়া স্বর হোনবদা অৱাবা মায়োক্লবগী খুদোংচাদবা লৈখ্রে।

সিরিয়া ওপোজিসন্না হায়, লৈঙাক্কী হেলিকোপ্ট অমনা সারাফেতা বোম অমা থাদরমখি। মদুগী মতুংদা মীওই কয়া স্বর ফুনবা অমদি স্বর হোনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। অদুম ওইনমক সিরিয়া লৈঙাক্লদি মখোয়না মীচমশিংগী মথক্তা কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নখি হায়বগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি।

সারাকেফতা লৈবা হোস্পিটালদা চৎলিবা থা অসি হৌরকপদগী মীওই কয়া স্বর হোনবদা নুংঙাইতবগী লাইওং লাকপগা লোয়ননা মীওই কয়া পুখৎলক্তুনা লায়কন্নখি। ঙসি পেরিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মেক্রোননা হায়, করিগুম্বা সিরিয়া কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নরম্লবদি হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা চপ চাবা থবক পায়খৎকনি। ঙসি ফাওবগী ওইনা ফ্রান্সকী এজেন্সিশিংদা সিরিয়াদা কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নরকখি হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম ফংবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক সিরিয়াদা লৈবা মীচম কয়া কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নরকপনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবগী পাউ ফংলি।

করিগুম্বা থিজিনবা অদুনা চপ চাবা খুদম চাংদম ফংবা ঙম্লবদি ফ্রেন্সনা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি। অহানবদা টেরোরিষ্টশিং লাকশিন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা কেমিকেল ৱিপন শীজিন্নরিবা লৈঙাক অদুগী মথক্তা চপ চাবা থবক পায়খৎকনি হায়রি।

## শেনখায়-থুমখায়গা মরী লৈননা এন আই এ না নাগালেন্দ চীফ মিনিষ্টর ওফিসকী মীওই অহুম কৌখৎখ্রে

***কোহিমা, ফেব্রুৱারী ১৪ ঃ*** নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি এন আই এ না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শেনখায়-থুমখায়গা মরী লৈননা নাগালেন্দ চীফ মিনিষ্টর ওফিসতা লৈবা মীওই অহুম ৱাহং পাউহং চথনবা কৌখৎখ্রে।

দিপ্যুটি এস পি অমসুং চীফ ইনভেষ্টিগেসন ওফিসার জসবির সিংহনা ফোঙদোকখিবদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওফিসতা লৈবা মীওই অহুম শেনখায়-থুমখায়গা মরী লৈননা কৌখৎখ্রে। মখোয়গী মথক্তা এন আই এ না শেনখায়-থুমখায় চথখি হায়বগী মরাল শিরক্লি।

ইং ২০১৬ কী আগষ্ট থাদগী এন আই এ না শেনখায়-থুমখায়গা মরী লৈনবা কেস অমা থিজিন্দুনা লাকখিবনি। মতমগী মতুং ইন্না এজেন্সি অদুনা মরী লৈনবা চে চাং কয়া ফাজিনবা লৈখ্রে। মদুদা চীফ মিনিষ্টর ওফিসকী মীওই অহুম চেন্নে হায়বা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা মীওইশিং অদু কৌখৎখিবনি হায়রি।

এন আই এ না ফেব্রুৱারী ১৫ ফাওবদা মরাল লৈরে হায়না কৌখৎখ্রবা মীওইশিং অদুনা শেনখায়-থুমখায়গা মরী লৈনবা হীরম অদুদা চেন্নে নৎত্রগা চেন্নদে হায়বগী চপ চাবা পাউখুম পীগদবনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না এন আই এ না পায়খৎখিবা কেস অদুগী মতাংদা লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল ৭ কী মথক্তা ট্রাইয়েল চথরিবনি হায়রি।

নৌনা চীফ মিনিষ্টর ওফিসকী মীওইশিং চেন্নবগী ৱাফম লাকপগা লোয়ননা মীওই অহুম এন আই এ না গুৱাহাটিদা লৈবা এন আই এগী বেঞ্চতা লাক্নবা খঙহনখিবনি হায়রি।

## ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি ওক্টোবর ৩১ দা শঙ্গানবা শেম শাখ্রে



***ভাদোদরা, ফেব্রুৱারী ১৪ ঃ*** বি জে পি লৈঙাক্লা গুজরাটতা শাগৎলিবা মিটর ১৮ ৱাংবা সরদার বলভাই পটেলগী ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি হায়না মিংথোনবা মিতম অদু ওক্টোবর ৩১ দা মীয়ামদা কথোকপগা লোয়ননা শঙ্গানবা পান্দম থল্লি।

ইন্দিয়ানা মনীং মখা তম্লকপা মতমদা অহানবা হোম মিনিষ্টর ওইখিবা লুচিংবা অদুগী মিতম অদু মীয়ামদা শিন্ননবা লৈঙাক্লা শেম শারি। সরদার পটেলগী মিতম অদু নরমার্দা তুরেলগী মথক্তা শাবা দাম অমদা শাগৎখিবনি। লুচিংবা অদুগী মিতম অদু ওক্টোবর ৩১ দা শঙ্গানবা শেম শাবা লোইরে হায়না গুজরাটকী চীফ সেক্রেটরী জে এন সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

জে এন সিংহনা প্রোজেক্ট পায়খৎলিবা মফম অদুদা ঙরাং চত্তুনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদু য়েংশিনখি। লুচিংবা অদুনা হায়, প্রোজেক্ট অদু মতম চানা লোয়শিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি হায়না মিংথোনবা সরদার বলভাই পটেলগী মিতম অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ৩১ দা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইং ২০১৩ গী ওক্টোবর ৩১ দা প্রোজেক্ট অদু যাত্রা হুল্লমখি। সরদার বলভাই পটেল মীয়াম্না আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া হায়না শীংথানখিবা মীওই অমনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা লুপা ক্রোর লীশিং ৩ রোম চঙগদবা সরদার সরোভর নরমদা প্রোজেক্ট পায়খৎতুনা থবক হৌহনখি।

প্রাইভেট পাটনরসিপ পার্টিসিপেসন (পি পি পি) মোর্দেলদা প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপা হৌরকখিবনি। ইন্দিয়াদা লৈরম্বা তোঙান তোঙানবা নিংথৌ পানবা লৈবাক ৫৬২ পুনশিন্দুনা ইন্দিয়া য়ুনিয়ন অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা সরদার বলভাই পটেলনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌখি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা মিতম অদু লোয়শিল্লক্লগনি। প্রোজেক্ট অদুগী মখাদা ষ্টেচু ওফ য়ুনিটি হায়বা মিতম অদুনা মীয়ামদা পূক্নীং ৱাখলগী ওইবা পাউতাক অমা পীরগনি। ফুট ৫০০ রোম ৱাংবা সরদার বলভাই পটেলগী মিতম অদু সরদার সরোভা দামদা মীয়াম্না উবা ফংলগনি। মফম অদুদা খিনগদৌরিবা মিতম অদু মালেমগী অতৈ মফম কয়াদা খিল্লিবা মিতমশিংগা চাংদম্নবা য়াররোইদবা খ্বাইদগী ৱাংবা অমসুং ফজবা মিতম অমা ওইরগনি।

মালেমগী ওইনা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংগীসু পূক্নীং চিংশিনফম অমা ওইরগনি হায়না চীফ সেক্রেটরীনা ফোঙদোরক্লি। প্রোজেক্ট অদুগী মখাদা সরদার সরোভর দামদা কোয়বা লাকপা মীওইশিংদা লুচিংবা সরদার পটেলগী পুন্সি ৱারীশিং লাইট এন্দ সাউনগী খুত্থাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনগনি।

মদুনা ইন্দিয়া য়ুনিয়ন অমা শাগৎনবা হোৎনবদা সরদার বলভাই পটেলনা লৌরম্বা থৌদাং অদু মীয়ামদা খঙহনবা ঙমগনি হায়রি।

## পার্সিয়েল সোলর ইক্লিপস উবা ফংলগনি



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৪ ঃ*** মালেমগী ওইনা চৎলিবা ঋতু অসিদা অতিয়াগী ওইবা অঙকপা থৌদোক কয়া থেংনরি। ফেব্রুৱারী ১৫ দা সোলর ইক্লিপস নৎত্রগা সুর্জ গ্রাহন থোক্লি। চয়োল অনীগী মমাঙদা সুপর ব্লু ব্লদ মুনগী ফেনোমেনন মীয়াম্না উখিবা লৈখ্রে।

মদুগী মথংদা নুমিৎকী মঙালনা পৃথিবী য়ৌরকপা মতুংদা থানা থৎচিনখিবনা মরম ওইরগা সুর্জ গ্রাহন থোক্কনি। মঙাল পীরিবা নুমিৎকী মরক্তা থানা চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা অম্বা অমসুং পেনমৱাগী থৌওংশিং থোকপা য়াই। ফিভম অদুনা মরম ওইরগা চৎলিবা চহী অসিদা মচেৎ মকায় ওইবা সোলর ইক্লিপস থোক্কনি।

ইং ২০১৮ দা থোক্লিবা সোলর ইক্লিপস অদু সাউথ অফ্রিকা অমদি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং অর্জেন্টিনা, চিলি, পারাগোয়ে অমসুং উরুগুৱে অমদি অন্টার্কটিকাদগী সোলর ইক্লিপস অদু ময়েক শেংনা উগনি হায়রি।

ইন্দিয়াদা হন্দক থোক্লিবা সোলর ইক্লিপস অদু তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ফেব্রুৱারী ১৫ গী নুমিদাংরাইরম পুং ৬.৫৫ রোম চৎপা মতমদা উবা ফংগনি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়া মফম কয়াদা নুমিৎ তাবগী মতম ওইবনা মরম ওইরগা নুমিৎতা থোকপা ইক্লিপসকী থৌওং অদু মপুঙ ফানা উবা ঙমদবগী ফিভম অমা লৈগনি।

ইন্দিয়ান ষ্টেন্দর টাইমগী মতুং ইন্না অতিয়াগী ওইবা অঙকপা থৌওং অদু ইন্দিয়াদদি নুমিৎ তাশিল্লকপা মতম ওইবনা উবা ফংদবগী ফিভম অমা লৈগনি। চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ১৮ অমসুং আগষ্ট ১১ দা সোলর ইক্লিপস থোক্কনি। অদুগুম্বা অতিয়াগী ওইবা থৌওংশিং অদু ইন্দিয়াদদি উবা ফংদে হায়রি।

নাসাগী পাউ মতুং ইন্না সোলর ইক্লিপস থোক্লিঙৈ মতমদা চেকশিন থৌরাং য়াওদনা অতিয়াদা থোক্লিবা থৌওং অদু য়েংনবা হোৎনবা হায়বদু খ্বাইদগী খুদোংথিবা অমা ওইগনি।

চেকশিন থৌরাং য়াওদনা অতিয়াদা থোক্লিবা সোলর ইক্লিপস অদু য়েংননবা হোৎনবা মতমদা মীওই কয়াগী মীৎতা অমাঙ অতা থোকহনবা য়াই। নুমিত্তা গ্রাহন থোকপা মতমদা চেকশিন থৌরাং য়াওদনা য়েংননবা হোৎনরবদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবগা লোয়ননা য়েংননবা হোৎনরিবা মীওই অদু মিৎ উদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা য়াই হায়রি।

GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 18/12/17
Valid : 15/12/17
Stk : 306/19kg 12
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 26/12/17
Valid : 04/12/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 11/12/17
Sl. No. 8170
Valid : 07/12/17
Stk : 207
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 22/12/17
Valid : 14/12/17
Stk : 306 DBTL
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Patsoi Indane**
Booking : 13/01/18
Sl. No. 25
Valid : 02/01/18
Stk : 288 DBTL
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking : 26/12/17
Valid : 20/12/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 09/01/18
Sl. No. upto 6700
Valid : 05/01/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 28/12/17
Valid : 27/12/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 30/12/17
Valid : 20/12/17
Stk : 612
Rate : Rs. 842.50/-
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Kangleipak Gas, Wangjing & Thoubal**
Available 15 & 17 kg
Delivery every day on demand
No need for booking
Mobile - 9612730988

**Imphal LPG Service**
Booking : 13/01/18
Sl. No. upto 44800
Valid : 16/11/17
Stk : 306
Delivery at Heinoupok Godown

**Haran Valley Gas, Kwakta**
Booking : 26/01/18
Valid : 10/01/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.30 a.m

**BD Gas, Chandel**
Booking : 09/01/18
Valid : 22/12/17
Stk : 288/19kg 12
Time : 10.00 to 01.00 p.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 31/12/17
Valid : 18/12/17
Sl. No. 20555
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.30 a.m

**RBD Gas**
Booking : 19/12/17
Valid : 15/12/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 21/12/17
Valid : 18/12/17
Sl. No. 1081
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 14/01/18
Valid : 18/01/18
Sl. No. from 7534 to 7860
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১০৮৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 3 | 6 | 9 | 8 | 1 | 7 | 2 | 5 |
| 1 | 2 | 9 | 7 | 5 | 4 | 6 | 8 | 3 |
| 5 | 7 | 8 | 3 | 6 | 2 | 9 | 4 | 1 |
| 6 | 1 | 5 | 4 | 9 | 8 | 2 | 3 | 7 |
| 2 | 9 | 7 | 5 | 3 | 6 | 8 | 1 | 4 |
| 8 | 4 | 3 | 2 | 1 | 7 | 5 | 9 | 6 |
| 9 | 6 | 2 | 1 | 4 | 5 | 3 | 7 | 8 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 7 | 9 | 1 | 6 | 2 |
| 7 | 8 | 1 | 6 | 2 | 3 | 4 | 5 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1084**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | 6 |
| 1 | | | | | | | 8 | 9 |
| | 2 | 4 | 3 | | | | | |
| | 4 | | 8 | | | 7 | | 1 |
| 6 | | | | | 2 | 5 | | |
| 9 | 1 | | | | | | | |
| | | 1 | | | 9 | | | |
| | 9 | 8 | | | 3 | 4 | 1 | |
| | | 2 | | 7 | 1 | | | |